## দেল্লীদা চিংননীংঙাই...

*লমায় ১গী মখা...* পুলিস ষ্টেশনগী ষ্টেশন হাউস ওফিসর এস ঐচ ওদা এদ্রেস তৌদুনা পীশিনখিবনি হায়রি। চেরোল অসিদা থৌদোক অদুগী মতাংদা অকনবা মওংদা য়ানীংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা থৌদোক অদু অন-নেচরেল ওইবা লাইবক থীবা থৌওংনি হায়নসু ফোঙদোকখি। মরম অসিনা থৌদোক অসিগী মতাংদা পুলিসকী মায়কৈদগী লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎপগা লোয়ননা মরী লৈনবা মীওইশিংবু ৱাহং পাউহং চখদুনা থৌদোক অসিগী অচুম্বা লংলা-লংজিন ফংহনবীয়ু হায়নসু হায়জখি হায়রি।

## দি এম য়ুগী...

*লমায় ১গী মখা...* উনবগী খুদোংচাবা ফংখি। এম পিগা উন্দুনা ৱারী শানবদা অফবা পাউতাকশিং পীখি। মসিগী মথক্তা মহৈকোল অসিবু ১২(বি) রিকগনিশন অমসুং এন এ এ সীগী এক্রিদিটেশন অথুবা মতমদা ফংনবগীদমক হোৎনবীবা অমসুং পার্লিয়ান্টেরি ষ্টেন্দিং কম্মিটি ওন এদ্যুকেশন, ৱিমেন, চিলদ্রেন, য়ুথ এন্দ স্পোর্টসকী ৩৬৩ অমসুং ৩৬৪শুবা রিপোর্টতা এম পিনা লৌখিবা থৌদাংশিংবুসু মহৈকোল অসিগী মেথমেটিক্স দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী তৌবীমল খঙবা উৎখি হায়রি।

**FOREX (INDIA RUPEES)**

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 97.294739 |
| US Dollar | 85.433840 |
| British Pound | 113.486207 |
| Australian Dollar | 54.503061 |
| Chinese Yuan Renminbi | 11.704158 |
| Japanese Yen | 0.600468 |
| Malaysian Ringgit | 19.358159 |
| Singapore Dollar | 65.159749 |
| South Korean Won | 0.059986 |
| Saudi Arabian Riyal | 22.782357 |
| Thai Baht | 2.560389 |

**‘করপসন’ গী থবক-থৌওং পূন্নমক্কী ঈ-পাউ পীবিরকউ**

‘করপসন’ (শেঞ্জা-থুমজা) গী থবক-থৌওং পূন্নমক্কী ঈ-পাউশিং হুইয়েন লানপাউদা পীবিরকউ। গ্রিভান্স রিদ্রেসেল অমসুং হুইসল ব্লোৱরগী থৌদাং মচা অমা লৌজবা ওইনা নমথাক অমসুং তাৎ-পাৎ তৌবা থৌওংশিংগী মরীক চুম্বা রিপোর্ট মীয়ামদা ফোঙদোকচগনি। পাউ ১সুং মরী লৈনবা ইভিদেন্সশিং পীবিরকপশিংগী মমিং-মথা চেকশিন্না থমজগনি।

**হুইয়েন লানপাউ, মোবাইল ফোন নম্বর - ৭৬২৯৮৫৪০২৩**

**GAS NEWS**

**KHORIPHABA NAMBOL**
**Bk upto date**
Timing 7am to 10am
**HRANGCHAL GAS AGENCY**
VALID FROM: 19/03/2025
**BOOKING UPTO: 24/03/2025**
TIMING: 7:00 AM to 10:00 AM (Temporary).
For Home delivery: 9863576002 (SMS only)
Delivery within 7 days
**LEIBAKLEI GAS SERVICE KAKCHING**
**BOOKING UP TO-10-03-2025,**
VALID FROM 02-03-2025,
**STOCK: 648,**
HOME DELIVERY ONLY.
(DELIVERY WITHIN 4 DAYS)
CONTACT NOS: 9862634903, 8415050488, 9862283423,
CALL TIME : 7 AM T0 10 AM
**HIYANGTHANG INDANE.**
**Booking 08-03-25.**
Valid.01-03-25.
Timing 7.a.m.to 11.a.m.
Only home delivery
Service. Contact no. Office no.6381538861.message. or.Whatsapp 6009260971.690 9433847.7005791014.8787435 205.7005560869.7005412900. delivery within 5 days.

**HL Poll**

Q : Presidents Rulegi leingak chatnahanba khaktana Manipurgi Langi waroisin purakpa ngamgani haina loubada aranba wapham oiroidra?

**POLL CLOSES AT MIDNIGHT**

Yes    No

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

**NGARANG GI RESULT**

Q : Governorna luchingduna Presidents Rulegi leingak challairabasu Law and Order ngakpa ngamdre haibada aranba wapham oigadra?

Yes 67%    No 33%

**অস! লোইরেহে!**

- হো নুংশা য়াম্না শারে য়াদ্রে!



- য়াম্না ৱাংলি মহাশয়, খরা তৌরকখিনি।

## হৈরোক : নোংয়াই মতুংদা ...

*লমায় ১গী মখা...* নুপামচা অমনি হায়রি।

মখোয়দগী ফাগৎলকপা খুৎশু খুৎলায়শিংনা মেগজিনগা কোন্নবা ইন্সাস এল এম জি ১, মেগজিনগা কোন্নবা ইন্সাস রাইফল ২, মেগজিন ৩গা লোয়ননা কর্বান ১, এম এ থ্রী মার্ক-টু রাইফল ১, নোংমৈসিগী মেগজিন অমা, এস এল আরগী মেগজিন ১, ইন্সাস রাইফলসকী মরূ ৭৬, ৯ এম এমগী মরূ ৬৯, এস এল আরগী মরূ ৩, পোইন্ট ৩০৩ বোল্ট এক্সন রাইফলসকী মরূ ১৩, রাউন্দ চার্জর ২, এন্দ্রোইদ মোবাইল ফোন ১১, কি পেদ মোমাইল ফোন ২, ৱায়রলেস সেট ৩, চার্জর ২, পিষ্টোলগী হোলষ্টর ৩, টু হ্বিলর ১, ফোর হ্বিলর ১, আইদেন্টিটি কার্দ ৫, দেবিদ কার্দ ১, ব্লেঙ্ক চ্যেক অমা, লালহৌলূপ অসিগী বেদজ ৩৮, এম পি এগী বেদজ ৪, ষ্টাম্প পেদ ২, নেপালগী করেন্সি নোট ২০, শেল ওইনা লুপা ৩৪, পি-কেপ ১১, নী গার্দ ২, পেটি ২, কেমোফ্লেজ টিশার্ট ১৪, জেকেট ১, কেমোফ্লেজ লোং পেন্ট ১২, বেগ ৯, খোঙউপ ৮ অমসুং চে-চাং খরনি হায়রি।

অমরোমদা পুলিসনা ঙসি ৱাঙ্গোই এরিয়াদগী উমানন্দ শরুংবম (৩৭) কৌবা হাওরৈবি অৱাং লৈকায়দগী কে সী পি - পি দল্লিয়ু জিগী কাদর অমসু ফারে হায়রি।

অদুম ওইনমক ঙসিগী থৌদোক অসিগী মতাংদা পাউচে অসিনা অতোপ্পা সোর্স অমদগী ফংবা পাউনা হায়বদদি ওপরেশন অদু সী আর পি এফকী ৬৬, ৬৯, ৮৬ বট্টালিয়নগী ক্বীক এক্সন টিমনা আর এ এফকী এ/৯৯ বট্টালিয়নগী পর্সনেলশিংগা খূৎশন্নদুনা ঙসি নোংঙাল্লমদাই পুং ২.২০ রোম তারকপদা চৎখিবনি হায়রি।

চহী নৌরিবা অঙাং অদু চহী ১৫ রোম শুরে অদুগা রিকোভর তৌবা গাড়ীশিং অদুগী মনুংদা হোন্দা এক্টিভা সিক্স-জি অমা অমসুং ফোর হ্বিলরগী রেজিষ্ট্রেশন নম্বরনা এম এন-০১/এস-৬৪৪২নি হায়রি।

অমরোমদা, পুলিসনা চথবা অখন্নবা দ্রাইভতা হুরানখিবা/লাকখিবা ওইগনি হায়বা গাড়ী ১৩ রিকোভর তৌরে হায়নসু পুলিস কন্ত্রোল রুমগী চেরোল অসিনা ফোঙদোরক্লি।

## নেশনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটিগী নুপী লেবরর ১ শিরক্লে

**ইম্ফাল, এপ্রিল ২০ (ঐচএনএস) :** ইম্ফাল ৱেষ্টকী লমশাং পুলিসনা কোল্লিবা কৌত্রুক/হরাওথেলদা শাগৎলক্লিবা নেশনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটিদা থবক শূবা য়াওবী নুপী লেবরর প্রিয়াঙ্কা গোড় (২০) মপুরোইবা রজিব কৌবী নুপী অমা ঙরাং অমসুং নহানগী লোন্নবা অহিংদা মহাক্কী লৈফম কাদা থৌরী য়ান্দুনা শিরক্লে হায়রি। থৌদোক অসিগী মতাংদা লমশাং পুলিসনা অন-নেচরেল দেথ (য়ু দি) কেস অমা লৌখৎলগা লৈখিদ্রবীগী হকচাং জে নিমসকী মীরেলশঙদা পোষ্ট মোর্টেম এগজামিনেশন তৌখ্রে হায়রি।

## মণিপুরগী য়ু জি অমা গুৱাহাটিদা...

*লমায় ১গী মখা...*থৌদোক অসিগী মতাংদা গুৱাহাটিগী দেপ্যুটি কম্মিস্নর ওফ পুলিস থ্রিনাল দেকাননা ফোঙদোকখিবদা গুৱাহাটিগী পলটন বজারদা লৈফম হোংদোক্ত্রিঙৈগী মমাঙদা মহাক বেহারবরিদা লৈবা হোটেল অমদা লৈরমখি হায়রি।

মহাক ফারবা মতুংদা মরী লৈনবা কোর্টতা পুথোক্লগা পুলিস কষ্টদিদা রিমান্দ লৌদুনা ৱাহং পাউহং তৌবগী থবক চখরি হায়বগা লোয়ননা মহাক পুলিসনা ফানবা থিবা অন্দরগ্রাউন্দ ওর্গনাইজেশন অসিগী কাদরশিংগী মনুংদা অমনি হায়রি।

## খোংজোম নুমিৎ থৌরমগী শেম ...

*লমায় ১গী মখা...* লোয়ননা নুমিৎ অসিদা পাঙথোক্কদবা থৌরমগী রিহার্সেল ফাওবা পাঙথোকখ্রে। মসিদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নর অহন্থেম সুভাস অমদি পুলিসকী মকোক থোংবা ওফিশলশিংনা শরুক য়াখি।

পনবা য়াবদি, নুমিৎ অসিগী থৌরমদা গভর্ণর অজয় কুমার অমদি চীফ সেক্রেটরি প্রসান্ট কুমার সিংহনা মথংশিংনা অথোইবা মীথুংলেন অমদি থৌরম মপু ওইদুনা কুমসি চহীগী খোংজোম নুমিৎকী থৌরম পাঙথোক্কদৌরিবনি।

চৎলিবা চহীসিগী পাঙথোক্কদৌরিবা থৌরম অসিদা মে ৩, ২০২৩দগী লাঞ্জেল্লক্তুনা হৌজিক ফাওবা তোঙান তোঙানবা রিলিফ কেম্পশিংদা চঙজফম লৌদুনা লৈরক্লিবা মীওইশিংনা শাজবা পোৎলমশিং মীয়ামদা থেন্দুনা উহন্নবা অমসুং য়োন্নবগীদমক অখন্নবা ষ্টোলশিং হাংদোক্কনি হায়রি।

## এন ঐচ-২ : খোংনাং অনী কারক্তগী কোইরেঙ্গৈ...

*লমায় ১গী মখা...* য়ামখৎলকপদা নত্তনা চীংমৈরোং খোংনাং অনী কারক্তগীনা কোইরেঙ্গৈ ফাওবগী মরক্তা য়াম্লবা লোয়শঙশিংসু লৈরি। লোয়শঙশিং অসিগী মনুংদা উমং লোয়শঙ, সেন্ত্রেল টছর ফার্ম অমদি হায় কোর্ট ওফ মণিপুর লৈবদা নত্তনা শঙ্গারগনি হায়না থৌরাংলিবা মিনিষ্টরিএল এদমিনিষ্ট্রেটরিএল ব্লোক, এন আই টি, স্কুল অমদি কোলেজশিং, সী আর পি এফ, অসাম রাইফলস অমদি বি এস এফকী কেম্প/পোষ্ট/হেদ ক্বার্টরনচিংবসু লৈবনিনা অদুক্কী মতিক খুদোংচাদবা মায়োক্লহল্লে।

ওইরক্লিবা ফীভম অসিদগী মতম খরগী মমাঙদা খাবম লমখাইদগী হৌরদুনা রিং রোদ অমা শেল্লগনি হায়বগী ৱাফম লৈঙাক্লা হৌদোকপা লৈখ্রে। অদুবু হৌজিক্তি মনা-মনিল নাইখিদ্রে। মসিগী মথক্তা হায়ৱে অসিগী নাক-য়েৎতা লৈরিবা মীওইশিংনা এনক্রোচ তৌশিল্লকপসু য়াওবনিনা অমুক্কা হেন্না খুদোংচাদবা মায়োক্লহল্লে হায়রি।

হান্না লৈরম্বা নাগা তুরেল মরীলগী মশক মাঙখ্রিবসি লোগী ৱাংমদা লম খোপচিন্নরকপনা ওইগনি। মরম অসিনা পুং খরদং নোং চুরকপদা নাগারাম, তাঙ্খুল এভেন্যু, লাইফম খুনৌনচিংবদা লৈবা লৌবুকশিং য়াম্না তোয়না ঈচাওগী অৱাবা মায়োক্লহল্লে। মরম অসিনা চীংমৈরোংগী খোংনাং অনী কারক্তগীনা বি এস এফ লৈরিবা কোইরেঙ্গৈগী মপা ফাওবদা লৈরিবা হায়ৱে অসিগী লম্বীগী ওইফম থোকপা অপাকপা শরুকশিং চপ চানা থন্বীয়ু অদুগা নোংজুথা লাক্ত্রিঙৈদা হায়ৱে অসিগী নাক-য়েৎতা লৈরিবা ইরম-নালাশিং মরী লৈনবশিংনা মীৎয়েং চঙবীদুনা শেংদোকপীয়ু অমসুং লৈফম থোকপা ইরম-নালাগী অপাকপা অমসুং অরুবগী চাং চপ চানা থন্বীয়ু হায়নসু ফোঙদোক্লরকখি।

## প্রিয়ালক্ষমিগী হকচাং পুরকখ্রে, সোশল মীদিয়াদা লান্না ...

*লমায় ১গী মখা...*অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোকখ্রে। অদুম ওইনমক দেল্লীদা বেজ তৌবা প্রাইভেট কম্পনি অমদা থবক তৌদুনা লৈজরকখিবী মহাক্কী মীশি অসি চিংননীংঙাই ওই হায়বগী মতাংদা ঙাইখোং সিফাইগী মীয়াম্না ঙসি শরুক য়াদুনা মীফম অমা পাঙথোক্লগা জে এ সী এগেনষ্ট দি ব্রুটেল কিল্লিং ওফ কে ঐচ প্রিয়ালক্ষমি এট দেল্লী হায়বা জে এ সী অমা শেমখ্রে। জে এ সী অসি শেল্লবা মতুংদা মসিগী কনভিনর তখেল্লম্বম সুরজিৎনা পাউমীশিংদা হায়, প্রিয়ালক্ষমিগী মীশি অসিগী মতাংদা অচুম্বা লংলা লংজিন পুথোক্তুনা অথুবা মতমদা জষ্টিস ফংহনবীয়ু হায়না গভর্ণর অমদি য়ুনিয়ন লৈঙাক্তা আপীল তৌখি।

জে এ সীগী কো কনভিনর নোংমাইথেম বিশরুপনা হায়, দেল্লীদা অশিবা হকচাং ওইনা ফংখিবী প্রিয়ালক্ষমি মীশিগী মতাংদা অচুম অরান খঙদনা অমসুং মফমদুদা মশা চৎলগা পাউ লৌরুবদৌনা ফজদবা কম্মেন্ট কয়া সোশল মীদিয়াদা অপলোদ তৌরক্লিবসি মখা তানা তৌবীগনু। ঐখোয় ইশানা ইশাগী খোঙদা থাঙনা য়ানশিঞ্জবগা চপ মান্নে। পোষ্ট তৌরকপদা লাইক/ভিয়ুৱর য়াম্বগী ৱাখল থাদোকপীয়ু। অদুগা হান্নানা সোশল মীদিয়াদা পোষ্ট তৌখিবশিং লৌথোকপীয়ু। করিগুম্বা লৌথোক্তরবদি লোগী মতেং লৌদুনা এক্সন লৌরগনি হায়খি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা ফজদবা ৱাহৈ ৱাতা ফোঙদোকপগী মহুত্তা ইমুং-মনুংগী অৱাবদা করি মতেং পাংসিগে, মতুংদা মীতৈশিংনা মপান দা লৈবদা অসিগুম্বা থৌদোকশিং থোক্তনবা দেল্লীদা লৈবা মীতৈগী লূপশিংগা লোয়ননা করি খোঙথাং লৌখৎসিগে হায়বরোমদা তান্নসি। মীহাৎ অসিগী অচুম্বা পুথোক্লবা হোৎনমিন্নসি। খুদোংচাবা লৈরগদি অমুক হন্না প্রিয়ালক্ষমিগী হকচাং পোষ্ট মোর্টেম এগজামিনেশন তৌনবসু হোৎনমিন্নসি হায়না মহাক্কী হকচাং লৈরোন চন্দ্রিঙৈদা ফোঙদোকখি।

লৈখিদ্রবীগী পন্থৌ খাঙেম্বম সনাজাওবনা হায়, নুপীমচা অসি য়াম্না খোঙ্গুল তবী, হায়বা ইনবী অমসুং ইমুংগী লৈত-লায়র খঙবী ইচানুপীনি। মহাক শেল তান্নবগীদমক চৎখিবনি। মহাক্লা ওইদবা অরানবা থবক তৌরমগনি থাজদে। অদুগা মথোল ৩/৪ লৈবা বিল্ডিংদগী সুইসাইদ তৌবা ওইরল্লগদি মহাক্কী শরূ অমসুং মখোঙ-মখূৎতা অতেক অকায় য়াওরমগদবনি অদুগা ঈসু থোক্লমগদবনি। মসি খক্তা নত্তনা অমোৎ অকায় মরক্তা অতেক অকায় য়াওদনা শিরন্লিবা থৌওং অসি চিংননীংঙাই ওই হায়খি।

## ইন্দিয়া পূম্বদগী কুমজা ২০২৫গী মনুংদা টিবি লায়না ...

*লমায় ১গী মখা...*অসিগী ওইনদি হায়রিবা মতম অসিদগী চহী ৫ ঙনখৎনা টিবি লায়না মূখৎনবা হোৎনগনি হায়খিবনি।

অদুগা নেশনল টিবি ইলিমিনেশন প্রোগ্রাম অসিগী রিপোর্ট মতুংইন্না হৌখিবা কুমজা ২০২৩ ফাওবদা লৈবাক অসিদা লায়না অসিনা নাহল্লবা মীওইলাখ ২১.১ লৈখি। হায়রিবা লায়না অসিনা নারবা মীওইশিং অসি মালেমগী ওইনা টিবি লায়নানা শিহনবা মীওইশিংগী মশীংগী চাংদনা লৈবাক অসিদা শিবা মীওইশিংগী মশীংনা চাদা ২৯ ওইখি হায়না পল্লি।

অসিগুম্বা লায়না অসিনা পূন্সি মাঙবগী থৌদোকশিং মায়োক্লহল্লবা লৈবাক অসিদা মসিবু মরূ ফংনা মূখৎনবগীদমক নেশনল প্রোগ্রাম অসি হৌদোক্তুনা লৈবাক শিনবা থুংনা লায়না অসিগী মায়োক্তা অকনবা খোঙজং চঙশিল্লকখিবনি।

ট্যুবরক্যুলোসিস (টিবি) হায়রিবা লায়না অসি ‘মাইক্রোবেক্টেরিয়ম ট্যুবরক্যুলোসিস’ হায়না খঙনবা বেক্টিরিয়া অমনা ঐখোয়গী হকচাংগী ওর্গান অমদা হেক্তা শোকহল্লক্তুনা মায়োক্লহল্লকপা লায়নানি। লায়না অসি কম্মন ওইনা মীওইবগী লঙসতা অয়াম্বা শোকহল্লকই অদুগা লায়না অসিনা নারবা মীওই অমনা লোক খুরকপা মতমদা মসিবু নাদ্রিবা মীওই কয়াদসু শন্দোরকপা ঙমহল্লি। চুম্না খক্কী লায়না অসিনা নাহনবা খক্তা নত্তনা মীওইবগী থৱায় ফাওবা মাঙহনবা ঙম্মী।

ইন্দিয়াগী ওইনা ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটরি পূন্নমক্তা টিবি ইলিমিনেশন প্রোগ্রাম অসিগী মখাদা খক্তা নত্তনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা অকনবা মীৎয়েং চঙদুনা লায়না অসিবু লৈবাক অসিগী লৈমায়দগী মরূ ফংনা মূখৎনবা থবকশিং লৌখৎলক্লিবা অসিনা থল্লিবা পান্দম অসি য়ৌবা ঙমগদ্রা হায়বগী ৱাহংশিং হংনরকপদগী পাউচে অসিনা মণিপুরদসু লায়না অসিগী মায়োক্তা অকনবা থবকশিং লৌখৎলক্লিবী ষ্টেট টিবি ওফিসর ডা. হেমলতা থোকচোমগা উনরুবদা মহাক্লা হায়, মণিপুরদসু টিবি লায়না অসি মায়োক্লনবা নেশনল টিবি ইলিমিনেশন প্রোগ্রামগী মখাদা হৌজিক মথৌ তাবা থবকশিং কন্না পায়খৎলি। মণিপুরগী ওইনদি কুমজা ২০২২গী জন্যুৱারী থাদগী নেশনল টিবি কন্ত্রোল প্রোগ্রাম ওইনা থবক্তা ওন্থোক্তুনা লায়না অসিবু থেংনদুনা লাকখিবনি।

অদুগা হায়রিবা প্রোগ্রাম অসি হৌদ্রিঙৈগী মমাঙ হায়বদি কুমজা ২০০২গী মমাঙদনা ‘ইন্দিয়া টিবি রিপোর্ট’ কী মতুংইন্না মণিপুরদা লায়না অসিনা নাহল্লবা মীওই ১,৭৬৭ লৈরম্মী হায়না ফংই। মসিগী মতুং কুমজা ২০২৪-২৫গী ওইনদি নিক্সে রিপোর্টকী মতুংইন্না মণিপুরদা লায়না অসিনা নাহল্লবা মীওই ২৩৭৪ লৈরি হায়রি।

মরম অসিনা লায়না অসিগী মায়োক্তা ইনে টসিফাইদ প্রিজম্পটিভ স্ক্রিনিং চখদুনা দিটেক্ট তৌবগা লোয়ননা লায়না অসিগা লোয়নরল্লবা মীওইশিংবু লায়েংবগী থবক চখরক্লি হায়রি।

লোয়ননা হন্দক্তা দিসেম্বর ৭, ২০২৪দগী হৌদোক্তুনা পাঙথোকখিবা ‘হন্দ্রেদ দেজ টিবি কেম্প্যেন’ অদুগী মনুংদসু টিবিগী কেস ৪০০ দিটেক্ট তৌবা ঙমখি। কেম্প্যেন অসিদা খুদোংথীবা কয়া মায়োক্লনীংঙাই ওইবা, ভলনরেবল পোপ্যুলেশন ওইবা দিষ্ট্রিক্ট ৬তা মীওই লাখ অমা হেনবদা লায়না অসিগী স্ক্রিনিং পাঙথোকখি। মণিপুরগী ওইনা লায়না অসিনা নাহল্লবা মীওইশিংগী লায়েংফম অসি কৈরাও ৱাঙ্খেমদা টিবি হোস্পিটাল অমা নীংথিজনা হাংদোক্তুনা চলাইরক্লি। লায়েংশঙ অসিদা মীয়াম্না লাক্তুনা লায়েংবগী খুদোংচাবসু পীরি হায়রকখি।

ষ্টেট টিবি ওফিসরনা মখা তানা হায়, ট্যুবরক্যুলোসিস (টিবি) লায়না অসি কোকহন্নবগীদমক চান-থক্লবা হীদাক-লাংথক শীন্নদুনা মতম চানা লায়েংহৌরবদি মায় পাক্লা লায়না অসিবু লৈহন্দবা ঙম্মী। টিবিগী ষ্টেন্দর্দ ত্রিটমেন্ট অসি এন্টিবাইওটিক কম্বিনেশন মরিগী মনুংদা থা ৬ ইন্টেন্সিভ ফেজ অমদি কন্টিন্যুশন ফেজ হায়না খায়দোক্তুনা হীদাক-লাংথকশিং পীজ-পীথক তৌবনা মরু ওইবা লায়েং ওইরি। অদুবু লায়েং পথাপ অসি মপূং ফানা চখদনা লেপথোকখিবা তারবদি হায়রিবা হীদাক মখলশিং অসি শীজিন্নরবসু কান্নরক্তবা অমদি দ্রগ রেসিষ্টেন্ট টিবি পোকহল্লকপা য়াবগী অকিবা লৈ হায়রি।

মসিনা মরম ওইরগা লায়না অসি অয়াম্বা মতমদা লায়েংদুনা ফহনবা ঙম্বা লায়না ওইরবসু অসিগুম্বা দ্রগ রেসিষ্টেন্টকী খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরকপনা চাদা ১০০দি লায়েংবদা ফহনবা ঙম্মী হায়না লৌবা য়াদ্রি হায়নসু ফোঙদোরকখি।

ডা. হেমলতা থোকচোমনা মখা তানা হায়, হৌজিক লেপ্তুনা মণিপুরগী দিষ্ট্রিক্ট খুদিংমক্তা স্ক্রিনিং চখদুনা লায়না অসিবু থেংননবা থবক লেপ্তুনা চখরি। ইন্দিয়াগী মফম খুদিংমক্তসু লায়না অসিবু মায়োক্লনবা স্ক্রিনিং পাঙথোক্লরি। চৎলিবা কুমজা ২০২৫ অসি ফাওবগী মনুংদা স্ক্রিনিংগী থবক লোইশিনবা ঙমদ্রবসু মালেমগী লৈবাকশিংগী ওইনা লায়না অসিবু কুমজা ২০৩০ ফাওবগী মনুংদা মীওইবা খুন্নাইদগী মূখৎকনি হায়বা পান দমগী মনুংদা ফাওবদি লায়না অসিনা নাহনবগী চাং হন্থহনবা ঙম্নবা কন্না হোৎনরি। টিবি প্রিভেন্টিভ থেরাপি হায়দুনা লায়না অসিনা নারবা মীওইগা শাগোন্নরুবা অমদি নক্লা লৈরুবা মীওইশিংনসু টেষ্ট তৌথোকপীরগা প্রিভেন্টিভ থেরাপি অসিগা মরী লৈনবা হীদাক-লাংথকশিং কোর্স শুনা চাথোকপীগদবনি। লায়না অসিগী সিম্পটম অমত্তা লাক্তেহায়দুনা লায়থোক্লা লৈবীরোইদবনি। মসিগী মহুত্তা স্ক্রিনিং তৌথোকপীয়ু। টিবি লায়না অসি মালেমদগী মূখৎপদা ঐখোয় পূন্না থৌদাং লৌমিন্নসি হায়নসু পাউচে অসিগী খূথাংদা মীয়ামদা আপীল তৌরকখি।

লোয়ননা মণিপুরগী ওইনা অপূনবা দিষ্ট্রিক্ট ১৬মক্তা লায়না অসিগী টিবি দিটেক্সন সেন্টর ৫৪ হাংদোক্লে হায়নসু ফোঙদোকখি।

সেন্টরশিং অদুদি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টতা মোইরাং অমসুং নম্বোলগী সী ঐচ সী, থাঙ্গগী পি ঐচ সী, চান্দেলদা চকপীকারোংগী পি ঐচ সী, তেংনৌপলদা মোরেগী সী ঐচ সী এম এস এফ অমসুং মচিগী পি ঐচ সী, চূড়াচান্দপুরদা সিংহাট, সগাং, সাইকোট অমসুং থানলোনগী পি ঐচ সীশিং, তমেংলোংদা তামৈগী পি ঐচ, নোনেদা নুংবাগী পি ঐচ সী, সেনাপতিদা মরাম অমসুং পাওমতাগী পি ঐচ সী অমসুং মাওগী সী ঐচ সী, কাংপোকপীগী সী ঐচ সী অমসুং মোটবুং অমসুং সাইকুলগী পি ঐচ সী, থৌবালদা লিলোংগী পি ঐচ সী, য়াইরিপোককী সী ঐচ সী, থৌবালগী দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল অমসুং লৈশাংথেমগী পি ঐচ সী, ককচীংদা ১, ইম্ফাল ইষ্টতা পোরোম্পাৎতা দিষ্ট্রিক্ট দিটেক্সন সেন্টর ১ য়াওনা বাসিখোং, অন্দ্রো, হৈঙাং অমসুং শওম্বুংগী পি ঐচ সীশিং, জেনিমস হোস্পিটাল, শগোলমাংগী সী ঐচ সী অমসুং কোইরেঙ্গৈগী সী এম সী হোস্পিটালনি। জিরিবামগী ওইনা দিটেক্সন সেন্টর ১, ইম্ফাল ৱেষ্টকী দিটেক্সন সেন্টর ১, খুম্বোং, ৱাঙ্গোই অমসুং সেকমাইগী সী ঐচ সীশিং, খুরখুল, মেকোলা,ময়াং ইম্ফালগী পি ঐচ সীশিং অমসুং রিমস হোস্পিটালনি। উখ্রুলগীনা সোমদালগী পি ঐচ সী অমসুং উখ্রুলগী এল সী ঐচনি। লোয়ননা কামজোং অমসুং ফেরজোলদসু দিটেক্সন সেন্টর অমমম থল্লে হায়রি।

## মণিপুরদা পি আর থম্বগী ৱাফম নোংয়াই মতুং ...

*লমায় ১গী মখা...* নৎত্রবদি থা ২ শুরকপদা লৈঙাক মখল অসি লোইশিনখিগদবনি। মণিপুরদা পি আর থল্লকখিবগী মতাংদা হন্দক পাঙথোকখিবা পার্লিয়ামেন্টতা দিস্কশন অমদি দিবেট তৌনবদা বি জে পি অমদি মপাং পার্টিশিংনা মেজোরিটি ওইবনিনা অদুমক অয়াবা পীরক্কনি হায়বা খঙই। লোয়ননা ওপোজিশনগী মায়কৈদগীসু মণিপুরদা প্রসিদেন্টস রুল চলাইরকপসি য়ানীংদবা ফোঙদোরক্কনি হায়বসু খঙই অদুবু লৈঙাক মখল অসি চলাইরকপগী মতাংদা খন্ন-নৈনবগী মতম শাংনা ফংগদ্রা খন্দুনা ঙাইরুরগা পুং অমখক্তংগী মতম পীরকপদগী ঐখোয়গী মণিপুরগী ইস্যু অসিবু কয়াম য়াম্না মরু ওইনা লৌরিবজাংনো হায়বা ৱাহং থোরক্লে। মণিপুরদা পি আর থম্বগী ৱাফম অসি পালর্য়িামেন্টতা নোংয়াই মতুং পুং ২দা পুথোরকপদা নত্তনা খন্ননবগীদমকসু শুপ্নতগী পুং ১ খক্তংগী ওইখি। মরম অসিনা অতেনবা মতম অসি ওপোজিশন পার্টিশিং য়েন্থোক্লরকপদা অমসুং মাগী-মাগী মতম খায়দোক্লরকপদা মহাক মশামক অমদি আউটরগী এম পি অলফ্রেদ কানঙম লৈনা লৈনা ইশাগী মণিপুরগী মতাংদা খন্নবদা ৱা ঙাঙবগী মতম ফংহনখিদে। হায়রিবা ৱাফম অসি রাজ্য সভাদা অমুক পুথোরকপা মতমদসু এম পি লৈশেম্বা সনাজাওবসু ৱা ঙাঙবা ফংখিদে। অসুক চাউখ্রবা লৈবাক অসিগী পার্লিয়ামেন্টতা মণিপুরগী এম পি অহুম লৈরবসু ষ্টেট অসিগী মরমদা খন্নরকপদা এম পি অমা ফাওবা ৱা ঙাঙবা ফংহনখিদনা পি আর চৎনহল্লকপা অমদি ৱাফম অসি পুথোরকপদা অথুবা মতমদা লোইশিনখিবা হায়বসি অফবা খোঙথাংলা হংলদুনা মসিগী ৱাহন্থোক করিনো হায়বসি মীয়াম্না ৱাহং ওইনা হংফম থোকই হায়খি।

মহাক্লা মখা তানা হায়, পার্লিয়ামেন্টতা হোম মিনিষ্টরনা ঙাঙলকপদসু লোইলম শন্দোকপশিংগী মীৎয়েংদা য়েংবগুম হাৎন-শুনবা হায়বসি নখোয়গীদা অদুম থোকপা লায়নানি, মসিদি নখোয়গী খুন্নাইদুগী লায়নানি, হন্দক থোরক্লিবসি খক নত্তে, নখোয় মশেল ফূন-চৈনবা, হাৎতোক্লবা হায়বসিদি নখোয়গী লূ তোংদা য়াওরবনি হায়বগী ৱাখল্লোন্দা ঙাঙবগী মমি তাখি।

মণিপুরগী ৱাথোক অসি লৈঙাক্লোনগী এদমিনিষ্ট্রেটিভ লেভেলদা নৎত্রগা পোলিটিকেল প্রোসেস অমদা য়েংবগী মহুত্তা ঐখোয়গী খুন্নাইদা য়াওজরল্লবা অমগা অমগা নুংশিনদবা-হাৎতোক্লবগী লূ তোংদা য়াওবদৌনা য়েংবা মীৎয়েং অসি ভিক্টিম ওইরিবা ঐখোয়বু অমুক হন্না মরাল শীদুনা থংজিনবনি হায়খি।

নখোয়দি হান্নদগী অদুম হাৎনদুনা লৈরবনি। ঐখোয় কৈদৌ হায়বনো হায়না ইন্থোকপগী থৌওংনি হায়না এম পি বিমোলনা অকনবা মওংদা য়ানীংদবা ফোঙদোকখি।

মমাঙ চহী ২০২৪গী ফেব্রুৱারী ২৯দগী মণিপুরদা কুকি লালহৌলূপশিং অমদি লৈঙাক্লা তৌনরকখিবা সস্পেন্সন ওফ ওপরেশন (সূ) অসি লৈরিব্রা নৎত্রগা লৈত্রবরা হায়বা মীয়ামদা খঙহন্দবা, চমন্নদুনা থল্লক্লিবসিগী মতাংদা অশেংবা অমা খঙদোক্লবা হন্দক লোইশিনখিবা বডজেট সেশন অদুদা ষ্টার ক্বেশন অমা হংনবা থাজিনখি। থাজিল্লকপা ক্বেশনশিং লোটরি তৌরগা এম পিগী ২০গী মমিংশিং খনগৎপদা ঐহাক সিরিএল নম্বর ১৬শুবদা য়াওরক্তুনা ৱাহং অসিগী পাউখুম হোম মিনিষ্টর মশাদগী ফংলগনি অমদি মরী লৈনবা সপ্লিমেন্টরি ক্বেশনশিংসু হংবা ফংলগনি হায়না হরাওখি। অদুবু বিজিনেশকী লিষ্টতা হংগদবা ক্বেশনশিং থাদোরকপদা ঐহাক্কী ক্বেশন অমদি ঐহাক্কী মিং লৌথোকপীরকখি হায়নসু পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

থৌওং অসি এম পি অমগী হক মৎপনি। হায়রিবা ষ্টার ক্বেশন অদুসু ‘সূ’ খক্তংগী হংলবদি সেন্সিটিব ওইগনি হায়না নমশিনখিগদ্রা খনবদগী ইন্দিয়াগী অৱাং নোংপোক্তা লৈঙাক্লা খূৎয়েক পীনরগা লৈবা খূৎলায় পায়বা গ্রুপ কয়া লৈ, ষ্টেটশিংগী ওইবা অকূপ্পা মরোলশিং রিন্যু তৌখিবা লৈরবদি করম্বা মতমদা অমসুং করম্বা গ্রুপকা তৌখিবনো হায়না ৱাহং হংখিবনি। মসিগী পাউখুম পীরকপদা মণিপুরগী অমদি সূগী মতাং অসিসু ময়েক শেংনা খঙলগনি হায়না থাজরুবনি অদুবু ৱাহং অদু লৌথোকহৌখি হায়রি।

মণিপুরগী মীয়াম্না থাগৎখিবা এম পিনা অসুক কুইনা চমন্নদুনা লৈরক্লিবা সূগী মতাংদা ক্বেশন অমা হংবদা করিগী ককথৎলিবনো হায়বদু মণিপুরগী মীয়াম্নসু নৈনফম থোকই। ক্বেশন অমদি এম পি ওইজরিবা ঐগী মিং ককথৎলকপদগী খুদক্তা লোক সভাগী সেক্রেটরি জেনরেলদা চে ইখি। লোয়ননা স্পিকরদসু অইবা চে অনীরক পীশিনবগা লোয়ননা ইশামক্লসু অনীরক উনদুনা থৌওং অসি হাউসকী দিগ্নিটি শোকপা থবক্লি, য়াম্না নুংঙাইতে হায়বনচিংবা ৱাফম ফোঙদোক্লমখি।

ঐনা ইখিবা চেরোলশিং অদুগী পাউখুম ঙরাং নহান স্পিকরনা থারকপগী মতুংইন্না নেশনল সিক্যুরিটিগা মরী লৈনবা ৱাহংনি হায়না লৌথোকপনি খুল্লকখি। অদুবু থৌওং অসিদি মরম চাদে হায়রদুনা খুদম ওইনা এন এস সী এন-আই এমগা খূৎয়েক পীনরে, নুমিৎ অদুদা রিন্যু তৌরে হায়বসি পাউচেশিংদা ফোঙদুনা লৈরিবনি হায়নসু পেন্দবা ফোঙদোকখি।

এম পি বিমোলনা মখা তানা হায়, ইন্দিয়াগী ওইনা লৈরিবা ৱেটলেন্দস কঞ্জার্ভেশন এন্দ মেনজেমন্ট রুলস- ২০১৭কী মখাদা ষ্টেট/ষ্টেটশিংগী ওইনা ৱেটলেন্দ ওইনা নোটিফাই তৌরবা ৱাটর বোদিগী মতাংদা হংবদসু মণিপুরগীদি অমত্তা নোটিফাই তৌরমদ্রে হায়খি।

মণিপুরদা লোক্তাক কনগদবনি, লম্ফেলপাৎ কনগদবনি অমসুং য়ারলপাৎ কনগদবনি হায়রবসু ৱেটলেন্দশিং ওইনা অমত্তা নোটিফাই তৌরমদবনা কম্মর্সিএল ওইবা থবক অমদি টুরিজমগী মীংদা লোইনা শেমদোক শাদোক্লম্বনা পাৎশিং অসি নোংম-নোংমগী মাঙশিল্লক্লবা মচাক ওইরে হায়খি।

করি-করিনো শাজিনবা য়ানবা হায়দুনা লোক্তাক পাৎ নোংম-নোংমগী পীকশিল্লক্লবসু ওফিশল দোক্যুমেন্টদা সেন্দ্রা ফাওবা লোক্তাককী শরুক নত্তে হায়রক্লে। লৈঙাক্লা থম্মোয় শেংনা পাৎশিং অসি কনগে হায়রবদি ৱেটলেন্দ ওইনা নোটিফাই তৌদুনা মশাগী বাউন্দরিনা অসি ফাওবনি হায়না থমদুনা রুলগী মতুংইন্না কম্মর্সিএল এক্টিভিটি থিংজিন্দুনা তৌফম থোকই হায়খি।

অমরোমদা, ৱাকফ (এমেন্দমেন্ট) এক্ট ২০২৫ অসি মুস্লিমদা অতম্লনা টার্গেট তৌবা মানবা খরা উই। পাল্লিবা লৈঙাক্কী পান্দম অসি রিফোর্মগী মহুত্তা মুস্লিমগী প্রোপর্টি লৌশিন্নবা মওংদা টার্গেট তৌবা মাল্লি। ঙসিদি মুস্লিমদা টার্গেট তৌরম্বা য়াই অদুবু মথংদা খৃষ্টিয়ান নৎত্রগা অতোপ্পা লাইনীংদা তৌরক্লোই হায়বা ঙমদে। লোয়ননা পার্লিয়ামেন্ট মীফম লোইখ্রবা মতুংদা নেশনল হেরাল্ডগী মতাংদা অমুক তৌরক্লিবসি কোংগ্রেস পার্টি অমসুং পার্টি অসিগী লুচিংবা সোনিয়া গান্ধী অমদি রাহুল গান্ধীবু লান্না উহন্নবা চথরকপা থবক্লি হায়খি।

পাউগী মীফম অসিদা পাউমীশিংনা হংবা ৱাহংগী পাউখুমদা এম পি বিমোলনা হায়, ঐহাক্কী মীৎয়েং মখাদা আই দি পিশিংগী পূন্সি মহিং অমদি মখোয়বু মশাগী মরমদা হঞ্জিলহন্নবগী রেকমেন্দেশন কয়া তৌনবা শেমখিবা কম্মিটিগী রিপোর্ট মথং থাগী অহানবা চয়োলদা শোয়দনা লৈরগনি হায়বগী থাজবা লৈরে। আই দি পিশিংনা ময়ূমদা হঞ্জিন্দ্রিবা ফাওবা মণিপুরগী ইস্যু অসি শন্তাইনরে/লোইশিল্লে হায়বা শুকয়া য়ারোই হায়খি।

মণিপুরদা চৎনহল্লক্লিবা পি আর মনুংসিদা ঐখোয়গী মীৎতা হৌজিক ৱাথোক অসি লোইবদৌনা খলহনগে তৌবা, কুন্ধে হরাও তৌনরকপা, নোর্মেলাইজেশন তৌরকপা ওইনা উরে। ঈং-তপ্পা পুরকপদি লায়রদনা হৌজিক ফ্রী মুভমেন্ট লৈত্রিবনি। ইন্দিয়াগী সিটিজেন অমনা মাগী লাইখুরুমফমদা চৎপা য়াদে হায়বসিবু করম্বা মফমদা চৎনবগে হংখি।

ফীভম অসি কুকি-মীতৈগী প্রোব্লেম নত্তে। কন্সটিট্যুশনগী ওইবা অমদি গভর্ণনেন্সকী ওইবা ইস্যুনি। ফ্রী মুভমেন্ট য়াদ্রিবসিসু কুকি-নাগা নৎত্রগা মীতৈ-কুকি খৎনবনি হায়না লৈঙাক মপুশিংনা তাইশিন্নবা হোৎনরি অদুবু মসিদি লৈঙাক অদুনা কন্সটিট্যুশনবু ঙাকপা ঙমদবা অমদি এদমিনিষ্ট্রেশনগী অশোয়বনি। হৌজিক মণিপুরদা হান্না লৈরম্বা ‘প্রোক্সি গভর্ণমেন্ট’ অদুসু লৈত্রবনিনা আই দি পিশিং হঞ্জিলহনবা অমদি ফ্রী মুভমেন্ট লৈহনবা হায়বসি ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মখূত্তা লোইনা লৈরবনি। হান্নদি মখোয়না ষ্টেট লৈঙাক্তা অমুক তাইননি, ষ্টেট লৈঙাক্লা অমুক অমদা তাইনরম্বনি। পি আর লৈরকপদগী হৌজিক ঈং-তপ্পা লৈবদৌনা উরিবসি য়াম্না চেকশিন্নীংঙাই ওই। পি আরনা পার্মিনেন্ট সোল্যুশন ওইবা য়ারোই। দেল্লীনা ষ্টেট লৈঙাক লৌশিল্লবসু অথুবা মতমদা মীয়ামগী লৈঙাক অমুক হঞ্জিলহনগদবনি হায়নসু মহাক্লা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

**/ WANTED**

HHG Academy (Higher Secondary School), Ghari, Airport Road, Imphal invites applications on plain paper through proper channels from eligible candidates for the following positions.

| No & Postion Name | Qualification | Preference |
|---|---|---|
| 1 Security | 12 passed | Male |
| 2 School Hostel Warden | BSc or MSc | 1 male & 1 female |
| 1 Chemistry Lecturer | MSc Chemistry with B.Ed | Male |
| 1 Physics Lecturer | MSc Physics with B.Ed. | Male |
| 1 Counsellor | Sociology(child psychology or Counselling/ MSW/ Clinical Psychology. | Female, experienced in counselling teenage |

Applications, accompanied by photocopies of testimonials and a detailed resume, must reach the academy's office by 20th April, 2025, between 10:00 AM and 2:00 PM.

Sd/-
Managing Director, HHG Academy, Ghari

**"Registration for Class XI Science is open with certain concessions applicable until the announcement of the Class X board examination results.**

HL-P/1666/19,21

Regd. No.: KNL/497/(CE) of 2018 (I/W)

**SANGAI TUTORIAL**

Kwakeithel near Imphal College,Imphal

ADMISSION OPEN

**FOUNDATION COURSE for**

**CLASS -XII Sc.(COHSEM)** 7th April 2025 (4:20- 7:40 p.m.) **&** **CLASS -XII Arts (COHSEM)** 7th April 2025 (4:20- 7:40 p.m.)

HSE RESULT 2023



20th POSITION

- Course Fee: 16,000/- SCIENCE STUDENTS
- Subjects: Physics, Chemistry, Biology, Mathematics, English
- Course Fee: 14,000/- ARTS STUDENTS
- Subjects: History, Geography, Pol. Science, Economics, English
- INSTALLMENT BASIS ACCEPTED.
- Printed Study Materials.
- Hostel & Van Service available.

HSE RESULT 2023



18th POSITION

Form Available at:
1. ‘SANGAI HOSTEL’, Kwakeithel Ningthemkol, Opp. Kwakeithel Tiddim ground.
2. Office of Sangai Tutorial, Kwakeithel near Imphal College.(3:00pm-7:30pm)
3. ‘YAIMA BOYS HOSTEL’, Ghari Maning Leikai near Auto parking.

9436295785

HL-P/1295/3-29 April - 1-24 May